# স্পোর্টসকী ঈহৌ কন্না লৈবা মফমশিংদদি নিশাগী পোৎলম্না লাকশিনবা ঙমদে ঃ এল মেঘচন্দ্র

অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং রত্নেশ্বরি গোশ্বামী



এল মেঘচন্দ্র
(ভেটরান ভোল্লিবোল প্লেয়র)




মণিপুর পুলিস টিম, ১৯৭৩

হান্নগী মখা...

কোসমোগী ওইনা ভোল্লিবোলদা য়াম্না মমিং চৎখিবসিদি ঐখোয়গী মতমসি ওইগদ্রা নীংই। এস নন্দকুমার (ইবোচা অৱাংবা হায়রগা খঙনবা) হোয়সি ঐখোয় মতমগী লেঙ্গা ওইনা শান্নমীন্নরকপা মরুপ মপাং ঙাক্তনি। ভোল্লি প্লেয়র ওইজরগসু ঐদি অৱাংবা মীওই নত্তে। অদুবু চোংখৎপা, দ্রোপ ফুদবদি ফজনা ঙম্লকখি। শান্নবসিসু ঐখোয়গী ওইনদি অহলশিংগা শান্নমিন্নবা মতম খরা ফংজরকখি।

মাম্মা ইনাও, তা বীরেন ... মখোয়গসু টুর্নামেন্ট থোকমীন্নরকখি। লৈশাংথেম খোমদোন, ৱাহেংবম কুল্ল, নোংথোম্বম রঘু, কুবের, গদোন, এম কে সিবাজি, ইন্দ্রজিৎ, নোংথোম্বম তা প্রকাস, থোকচোম তা মুকুন্দো, এল দেবেন ... কোসমোদা শান্নমীন্নরকখিবা ঙাক্তনি।

১৭ শুবা নেসনেল স্কুল গেমস (ৱিন্টর মীট) কত্তক্তা তৌখিবা অসিদসু স্কুল টিমদা য়াওদুনা শান্নজরকখি। কুমজা ১৯৭২/৭৩ গী মতমদা ইম্ফাল দিমাপুরগী লম্বী, মণিপুরগী স্কুল টিম পুল্লপ পুল্লপ চৎপদা থেংনরকখিবা অৱা নুংঙাইৱারী লোইনমক নীংশিংলকই।

ওম্ভোক্লা ৱানা ৱানা চৎলকখি। জর্নি শাংমন্দুনা ত্রেন্দগী কুমথরবসু হকচাংসি হাইদুনা লৈখিবা কয়ানি। রিজার্বেসন নত্তবনিনা য়াম্না ৱারকখি। কুমজা ১৯৭৩ সিদগীদি ঐহাক ওল আসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্টকী টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবা ঙম্লকখ্রে। হায়রিবা চহী অসিদা পাঙথোকখিবা "১১ শুবা ওল আসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ত্রোফিসু লৌবা ঙম্লকখি। মসিগী মতুংদগীদি মণিপুর পুলিসতা জোইন্ট তৌদুনা মখা তানা পুলিস টিমদা য়াওদুনা শান্নরকখ্রে। পুলিস মীটকী শান্নবদসু খক চীংথবা লৈরকখিদে।

কুমজা ১৯৭৪/৭৫ গী মতমসিদা থেংনজরকখিবা য়াম্না নুংঙাইবা ৱারী অমা হায়জবা তারবদি, আসাম মনুংদা কোয়না চৎতুনা ভোল্লিবোল পেন্না শান্নবা ফংজরকপা অদুনি।

ইন্টর দিষ্ট্রিক্টকী শান্নবা লোইবগা ভোল্লিবোল খরা খরা পামজনা আসাম মনুংদা শান্নবা হৌরকপা কাঙবুনা, ঐখোয় মণিপুর টিমসি কৌ কৌদুনা শান্নহল্লকখি। অদুমহায়না শান্নবা অদু তশেংনা নুংঙাইজখি। আসাম মনুংদা লৈবা ক্লব ময়ামসি অমগী মথংদা অমা লেপ্তুনা অদুম শান্নবদুনা ভোল্লিবোলসিসু য়াম্না পাম্নরকখি।

মতম অমদদি ফুটবোল, হোকিগী মথংদা ভোল্লিসি য়াম্না পোপ্যুলর ওইরম্মী। শান্নবসিসু টুর্নামেন্ট থেংনবা য়াবা থেংনরগা লাষ্টতদি মণিপুর পুলিসকা আসাম পুলিসকা ফাইনেল হেক্তা তারকখি। আসাম পুলিস টিমসিসু ভোল্লিবোলদি য়াম্না লিংই। পুলিসতা শান্নমীন্নরম্বা মরুপ মপাং খরগী মিংসু পঞ্জগে, সৈজাংদগী তোম্বা অমসুং কুবের, তা কুল্ল, তা যুগিন্দ্রো, ক্ষেত্রিময়ূম তা য়াইমা, থাংমৈবন্দদগী রঘু থাঙ্গাদগী অঙৌ, তা যুগীন্দ্রো ... অসিনচিংবনি।

অদুগা মতম অমা কোংবরোমদা ভোল্লিগী ঈহৌ অমা কন্না লৈখিবদু মাইকৈ অদোমদা য়াম্না কান্নখি হায়জনিংই। কোংবা কৈথেল অসি মহৌশাদগী অফবা/ফত্তবা মীয়াম অমগী পুনফম অমসু ওইরকখি।

কুমজা ১৯৮০ গী মতমসি লৈকায় লৈকায়দা নিশাগী পোৎলম কয়াসু য়োনখৎনরকখি। স্পোর্টস রোমদা কন্না লৈশিন্দুনা লৈহৌবশিংদি নিশানা হুম্বা ঙমখিদে। অদুবু শান্নবদি য়াওরম্বা নেসনেলদদি কাবা ঙমখিদবা কয়া অমদি নিশানা লাকশিনখিবসু য়াওখি। নুংশিনা তীন্ন-লোইনদুনা শান্নমীন্নরকখিবা মরুপ মপাং খরদি নিশানা মপুন্সি তেলহনখি।

-মথং-মথং

## রাজু মেমোরিএল সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২০ ঃ

কোঙেংবম রাজু মেমোরিএল ত্রষ্টনা শিন্দুনা সাইরেম খুলদা চথরিবা মঙাশুবা কোঙেংবম রাজু মেমোরিএল সভেন এ সাইদ মেন'স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেচতা এ ৱাই সি টিম এ অতোং খুমন অমসুং কোরমেট সাইরেম খুল মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেচত অনীদা পাৎশোই এম এস এস ব্রিক ফার্ম অমসুং অৱাং খুনৌনা ৱর্ক ওভর ফংখ্রে।

টিম ১৬ না গ্রুপ ৪ দা শরুক য়াদুনা হৌখিবা তাং ১৭ তগী চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এ ৱাই সি অতোং খুমন টিম এনা এস পি দল্লিয়ু সি সাইরেম খুল গোল ৬-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাল্লবা এ ৱাই সি টিম এ অতোং খুমনগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা বোল পায়দুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা এটেক কয়া চখ্থদুনা গোল মথং মথং চনশিনখি। অদুবু মেচ অদুদা এস পি দল্লিয়ু সি সাইরেম খুলগী শান্নরোয়শিংনা অতোং খুমনগী মায়কৈদা গোল অমদগী হেন্না চনবা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

ঙসি অনীশুবা মেচ ওইনা পাৎশোই এম এস এস ব্রিক ফার্ম অমসুং কোন্থৌজম অনীনা শান্নগদবা মেচতা কোন্থৌজম লাক্তবদগী পাৎশোই এম এস এস ব্রিক ফার্মনা ৱর্ক ওভর ফংখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেচতা কোরমেট সাইরেম খুলনা তাকয়েল য়ুনাইটেদ গোল ৮-৩ দা মায়থীবা পীখ্রে। মরিশুবা মেচ ওইনা এ ৱাই সি অতোং খুমন টিম বি অমসুং অৱাং খুনৌ অনীনা শান্নগদবা মেচতা অতোং খুমন লাক্তবদগী অৱাং খুনৌনা ৱর্ক ওভর ফংখ্রে।

হয়েংগী অহানবা মেচ অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা এ ৱাই সি টিম এ অমসুং হৈক্রুজমগা, অনীশুবা মেচ অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা ঙাইরাংবম অমসুং সলামগা, অহুমশুবা মেচ তাকয়েল য়ুনাইটেদ অমসুং ফয়েংগা নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা অদুগা মরিশুবা মেচ নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা এস পি দল্লিয়ু সি অমসুং কিয়ামগা শান্নগনি।

## রাসমনি মেমোরিএল হোকি টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ

য়ুথ ক্লব কম ইনফোর্মেশন সেন্তর কোন্থা অহল্লুপনা শিন্দুনা কোন্থা অহল্লুপ্তা লৈবা ইবুধৌ মারজিংগী গ্রাউন্দদা চথরিবা মরিশুবা ৱাই রাসমনি মেমোরিএল ইনভাইটেসন সভেন এ সাইদ মেন'স ওপন হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী মেচশিং হয়েংদগী মখা তানা চখ্থবা হৌরগনি।

টিম ১২ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা ঙরাংদগী চখ্থবা হৌখ্রবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি গ্রুপ এদা হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায়, এ আর সি শিল্লোং, এস আর য়ু সি উচেক্কোন খুনৌ, ফাম ইম্ফাল, মৈরা বাসিখোং অমসুং ৱাই সি পি এ নাগালেন্দনি। গ্রুপ বিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি বি দি ঐচ এ বিষ্ণুপুর, য়ঙ রাইনো, ৱাই সি সি আই সি কোন্থা অহল্লুপ, কে ঐচ এস সি খোংমন, সিয়ো শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকায় অমসুং এ বি সি বাসিখোংনি।


হয়েংগী মেচ মরি লৈগনি। অহানবা মেচ অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা ফাম ইম্ফাল অমসুং ৱাই সি পি এ নাগালেন্দগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা য়ঙ রাইনো অমসুং কে ঐচ এস সি খোংমনগা শান্নগনি। অহুমশুবা মেচ নুংথিল পুং ১.১৫ তাবা মতমদা হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায় অমসুং মৈরা বাসিখোংগা শান্নগনি। মরিশুবা মেচ নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা বি দি ঐচ এ বিষ্ণুপুর অমসুং এ বি সি বাসিখোংগা শান্নগনি। লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী ফিকচরসু মখাদা পীরি।

**TEAMS:**

| Pool-A: | Pool-B: |
|---|---|
| 1. HOCKEY UNION | 1. BDHA, Bishenpur |
| 2. ARC Shillong | 2. Young RHINO |
| 3. SYUC, Uchekon Khunou | 3. YCCIC, Kontha Ahallup |
| 4. PHAM, Imphal | 4. KHSC Khongman |
| 5. MEIRAA, Bashikhong | 5. SEYO, Singjamei Kshetri Leikai |
| 6. YCPA, Nagaland | 6. ABC, Bashikhong |

| DATE | TIME | TEAM | VS | TEAM | MATCH NO. |
|---|---|---|---|---|---|
| 20-2-2016 | 1.45 PM | YCCIC | Vs. | Y. RHINO | 1 |
| 23-2-2016 | 7:00 AM | PHAM | Vs. | YCPA | 2 |
| 23-2-2016 | 8:30 AM | Y. RHINO | Vs. | KHSC | 3 |
| 23-2-2016 | 1:15 P.M. | HU | Vs. | MEIRAA | 4 |
| 23-2-2016 | 2:30 P.M. | BDHA | Vs. | ABC | 5 |
| 24-2-2016 | 7:00 AM | ARC | Vs. | SYUC | 6 |
| 24-2-2016 | 8:30 AM | SEYO | Vs. | Y. RHINO | 7 |
| 24-2-2016 | 1:15 P.M. | PHAM | Vs. | MEIRAA | 8 |
| 24-2-2016 | 2:30 P.M. | YCCIC | Vs. | KHSC | 9 |
| 25-2-2016 | 7:00 AM | HU | Vs. | ARC | 10 |
| 25-2-2016 | 8:30 AM | BDHA | Vs. | Y. RHINO | 11 |
| 25-2-2016 | 1:15 P.M. | SYUC | Vs. | YCPA | 12 |
| 25-2-2016 | 2:30 P.M. | YCCIC | Vs. | ABC | 13 |
| 26-2-2016 | 7:00 AM | YCPA | Vs. | MEIRAA | 14 |
| 26-2-2016 | 8:30 AM | SEYO | Vs. | KHSC | 15 |
| 26-2-2016 | 1:15 P.M. | HU | Vs. | SYUC | 16 |
| 26-2-2016 | 2:30 P.M. | Y.RHINO | Vs. | ABC | 17 |
| 27-2-2016 | 7:00 AM | HU | Vs. | PHAM | 18 |
| 27-2-2016 | 8:30 AM | KHSC | Vs. | ABC | 19 |
| 27-2-2016 | 1:15 P.M. | ARC | Vs. | YCPA | 20 |
| 27-2-2016 | 2:30 P.M. | BDHA | Vs. | YCCIC | 21 |
| 28-2-2016 | 7:00 AM | SYUC | Vs. | MEIRAA | 22 |
| 28-2-2016 | 8:30 AM | ARC | Vs. | PHAM | 23 |
| 28-2-2016 | 1:15 P.M. | SEYO | Vs. | ABC | 24 |
| 28-2-2016 | 2:30 P.M. | HU | Vs. | YCPA | 25 |
| 29-2-2016 | 7:00 AM | SEYO | Vs. | YCCIC | 26 |
| 29-2-2016 | 8:30 AM | SYUC | Vs. | PHAM | 27 |
| 29-2-2016 | 1:15 P.M. | BDHA | Vs. | SEYO | 28 |
| 29-2-2016 | 2:30 P.M. | ARC | Vs. | MEIRAA | 29 |
| 1-3-2016 | 1:30 P.M. | BDHA | Vs. | KHSC | 30 |





# বোক্সর সিবা থাপা টোপচেম সিমেন্ট কম্পেনিগী ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইনা খনখ্রে

গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ

লৈবাক অসিগী মশক নাইরবা বোক্সর সিবা থাপা টোপচেম সিমেন্ট কম্পেনিগী ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইনা হাপখ্রে।

মেঘালয়া সিমেন্ট লিমিটেদনা পুথোকপা টোপচেম সিমেন্টকী ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইনা সিবা থাপাবু ঙরাং হাপখিবনি। সিবা থাপা হন্দক্তা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমস ২০১৬ তা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা বোক্সরনি।

ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা পাঙথোকপা চেম্পিয়নশিপ কয়াদা গোল্ড মেদল ১১ লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটকী য়াম্না নহা ওইরিবা বোক্সর সিবা থাপানা টোপচেম সিমেন্টকী ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইনা খনবা অসি মহাক্না অহানবনি।



সিবা থাপানা ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা গোল্ড মেদল ১১ লৌখিবদা নত্তনা শিলভর মেদল অমা অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল অহুমসু লৌখ্রবনি। চহী অমগী কন্ত্রেক্ট ওইনা সিবা থাপাবু টোপচেম সিমেন্ট কম্পেনিগী ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইনা হাপখিবনি।

মহাকপু কম্পেনি অসিগী ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইনা হাপখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা টি ভি চেনেল কয়াদা মহাক্কী এদভর্টাইজনচিংবা কয়া উবা ফংলগনি হায়রি।

সিবা থাপাদা কম্পেনি অসিগী ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইনা পীবগী থৌরম অদুদা টোপচেম সিমেন্ট কম্পেনিগী দিরেক্টর বজরং লোহিয়ানা ফোঙদোকখিবদা সিবা থাপা অসি অৱাং নোংপোক ষ্টেটকী ওইনা য়াম্না নহা ওইরিবা বোক্সিংগী আইকোন অমনি।

মহাক্কী চেৎনা থাজবা অমদি হনবা লৈতবা থৌনা কয়াগা লোয়ননা লেপ্পা লৈতনা হোৎনবনা য়াম্না চহী নৌনা মালেমগী বোক্সিং মশান্নদা খোঙ থাংজিন্দুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ কয়া পুরকপা ঙম্বা অদুগুম্বা বোক্সর অমনি।

ঐখোয়না সিবা থাপাগীদমক্তা চাউথোকচবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা ২০১৬ রিও ওলেম্পিকস গেমসকীদমক্তসু মহাক্কী মায়কৈদগী য়াইফ মঙ্গল পীখি।

ঙসিগী নুমিৎ অসি য়াম্না শিংথানিংঙাই ওইরবা অমদি মরু ওইবা নুমিৎ অমনি হায়রদুনা বোক্সর সিবা থাপানা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক ২০১৬ অসি মহাক্কী ওইনা অচৌবা খুদোংচাবা অমনি। রিও ওলেম্পিক্তা মহাক শোয়দনা মায় পাল্লক্নবগীদমক মরু ওইনা নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম্না মহাক্কীদমক্তা য়াইফ মঙ্গল পীরক্কনি হায়খি।

চহীসিগী মার্চ থাদা চাইনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা শরুক য়াগদৌরিবা বোক্সর সিবা থাপানা য়াম্না চেৎনা মীৎয়েং থম্লি।

কম্পিটিশন অসি য়াম্না লুবা অমা ওইগদবা মরম্না হায়রিবা ওলেম্পিক ক্বালিফিকেশনগী কম্পিটিশন অসিদা উজবেকিষ্টা, মোঙ্গোলিয়ন অমদি য়ুম্বু ওইগদৌরিবা চাইনাদগী বোক্সর কয়ানা লম্বা তৌনগনি।

ওলেম্পিক ক্বালিফিকেশন রাউন্দ অসিগীদমক্তা সিবা থাপা চাইনাদা খোঙশানদ্রিঙৈ মাঙওইননা অকনবা ত্রেনিং তৌনবগীদমক ঙরাং অথেংবদা পটিয়ালাগীদমক খোঙশানখ্রে।

সিবা থাপাদা টোপচেম সিমেন্টকী ব্রান্দ এম্বেসেদর খুৎশিন্নখিবা অদুদা সিবা থাপাগী অপোকপা পদম থাপাসু কম্পেনি অসিগী মায়কৈদগী তরাম্না ওকখি।

## এফ সি লমলাই অমসুং নেয়ো সঞ্জেনবমনা ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ

চালৌ য়ুঠ য়ুনিয়ন ক্লব (সি ৱাই য়ু সি) চালৌনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা ৬ শুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন'স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট চালৌ কপ ২০১৬ ফাইনেল থা অসিগী ২৮ দা এফ সি লমলাই অমসুং নেয়ো সঞ্জেনবম অনীনা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা নেয়ো সঞ্জেনবম্না এস টি পি সেক্তা টিম এ গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা নেয়ো সঞ্জেনবম ফাইনেল চঙখিবনি।

মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা এস টি পি সেক্তা টিম এ টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙবা ঙমদনা নীংবা কায়না লৈহৌখি। মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিং অদুনা মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নরকখিবগা লোয়ননা গোল একাউন্ট হাংদোক্নবগীদমক অমনা অমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চখ্থনখি।

মেচ অদুদা মায় পাল্লবা নেয়ো সঞ্জেনবমগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদুগী অচেংবা তাঞ্জা লৌদুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক চখ্থবগী চাং ৱাংনা লৈখি। মেচ মায় পাল্লবা নেয়ো সঞ্জেনবমগী অহানবা গোল টি সুরঞ্জিৎনা মেচকী ২৭ শুবা মিনিটতা চনখি।

নেয়ো সঞ্জেনবম্না গোল অমা হেক মাঙজিল থাখ্রবা মতুং গোল শোথরিবা এস টি পি সেক্তা টিম এগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরিঙৈ ইখঙ খঙহৌদনা মেচকী ৩২ শুবা মিনিটতা নেয়ো সঞ্জেনবমগী দল্লিয়ু কিরঞ্জিৎনা টিমদুগী অনীশুবা গোল চনখি।

নেয়ো সঞ্জেনবম্না গোল অনী মাঙজিল থানা লৈখ্রবা মতুং মেচকী হাফ মতুংদা এস টি পি সেক্তা টিম এগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কন্না শান্নদুনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনরকখি। এস টি পি সেক্তা টিম এগী ৱাই দিনচন্দ্রনা মেচকী ৫০ শুবা মিনিটতা টিমদুগী অহানবা গোল চন্দুনা নেয়ো সঞ্জেনবমদগী গোল অমা হন্দোকখি।

গোল অমা মাঙজিল থারিবা নেয়ো সঞ্জেনবমগী শান্নরোয় টি সুরঞ্জিৎনা মেচকী ৫৪ শুবা মিনিটতা টিমদুগী অহুমশুবা গোল চনখি। নেয়ো সঞ্জেনবম্না গোল অনী মাঙজিল থানা হেক লৈখিবগা গোল শোথরিবা এস টি পি সেক্তা টিম এগী ৱাই দিনচন্দ্রনা থংনবা মিনিটতা টিমদুগী অনীশুবা গোল ওইনা চন্দুনা গোল অমা নেয়ো সঞ্জেনবমদগী হন্দোকখি। অদুবু মখা তানা এস টি পি সেক্তাগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনজরবসু গোল হন্দোকপা ঙমদনা মেচ মায়থীহৌখি। মায়থীহৌরবা এস টি পি সেক্তা টিম এনা থার্দ প্লেসকীদমক হয়েং আর য়ু বি পুংদোংবমগা শান্নরগনি।

## রোনিবালা চনু ইন্দিয়াগী অন্দর-১৪ টিমগী গোল কিপর কোচ ওইনা খল্লক্লে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ

কাজখষ্টান্দা চহীসিগী এপ্রিল ২০ দগী মে ১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অন্দর ১৪ গার্লস রিজনেল চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা শরুক য়ারুনবা শান্নরোয়শিংগী প্রিপরেটরি কেম্প অমা গান্ধিনগরদা লৈবা সাই ৱেষ্টর্ন সেন্তরদা মথং থাগী ৭ তগী এপ্রিল ২০ ফাওবা পাঙথোক্লগানি। হায়রিবা ইন্দিয়াগী অন্দর ১৪ গার্লস নেসনেল প্রিপরেটরি কেম্প অসিগী গোল কপরগী কোচ ওইননবগীদমক মণিপুরদগী মতম অমগী মশক নাইরবী গোল কিপর ওইরম্বী এল রোনিবালা চনু ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেন্দরেশন্না খল্লকখ্রে।

## চন্দ্রনদি সভেন এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টতা চিতা এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ

ঐচ এন এস সি হাওরৈবিনা শিন্দুনা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল চন্দ্রনদি সভেন এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা চিতা এফ সি হাওরৈবি মায় পাকখ্রে।

টিম ১২ না গ্রুপ ৪ দা শরুক য়াদুনা ঙরাংদগী চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা চিতা এফ সি হাওরৈবিনা মিঙ্গল ক্লব চজিং গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কন্না শান্নখিবনা অমনা অমবু লাকশিনবদা ৱানখি। অদুবু মেচ অদুগী অঙনবা মতমগী শরুক খরদা চিতা এফ সিগী শান্নরোয়শিংনা মিঙ্গল ক্লবকী অশোয়বা তাঞ্জা য়েংদুনা গোল অনী থংনা থংননা চনশিনখিবনা মেচ মায়থীখিবগী অচৌবা মরম অমা ওইখি।

মেচ অদুদা চিতা এফ সিগী অহানবা গোল এ কে ইবোমচানা মেচকী ১৭ শুবা মিনিটতা চনখি। গোল শোথহৌরিবা মিঙ্গল ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনরিঙৈ চৈরক ইখঙ খঙহৌদনা অমুক হন্না চিতা এফ সিগী শান্নরোয় ঐচ আনন্দনা টিমগী অনীশুবা গোল মেচকী ১৮ শুবা মিনিটতা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অনীশুবা মেচ ওইনা জেনুন সোলুশন কৈশাম্পাৎ অমসুং এস দি সি শমুরৌ অনীনা শান্নগদবা মেচ অদু করিগুম্বা খুদোংচাদবা খরদগী শান্নখিদ্রে।

হয়েং অহানবা মেচ নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা এ এফ সি হাওরৈবি অমসুং হেমন্ত এফ সি চজিংগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা এল ঈ এফ সি হাওরৈবি অমসুং চেম্পিয়ন এফ সি লংথবালগা শান্নগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফিকচর মখাদা পীরি।

| GROUP – A | GROUP – B |
|---|---|
| 1- RFC (KHAMNAM LEIRAK) | 1- MINGAL CLUB (CHAJING) |
| 2- CHAMPION FC (LANGTHABAL) | 2- CHITAH FC (HAOREIBI) |
| 3- LEFC (HAOREIBI) | 3- HAOREIBI UNITED (HAOREIBI) |

| GROUP – C | GROUP – D |
|---|---|
| 1- GENUINE SOLUTION (KEISHAMPAT) | 1- AFC (HAOREIBI) |
| 2- SDC (SAMUROU) | 2- HEMANTA FC (CHAJING) |
| 3- ANUSKA FC (HAOREIBI) | 3- YUC (MEIRAO) |

| Match No. | Teams | Group | Date | Timing |
|---|---|---|---|---|
| 4 | AFC V/S HEMANTA | D | 22-02-16 | 1 PM |
| 5 | LEFC V/S CHAMPIONS | A | 22-02-16 | 2:30PM. |
| 6 | HU V/S MINGAL | B | 23-02-16 | 1 PM. |
| 7 | ANUSHKA V/S SDC | C | 23-02-16 | 2:30 PM. |
| 8 | YUC V/S HEMANTA | D | 24-02-16 | 1 PM. |
| 9 | RFC V/S LEFC | A | 24-02-16 | 2:30 PM. |
| 10 | CHITAH V/S HU | B | 25-02-16 | 1 PM. |
| 11 | GENUINE V/S ANUSHKA | C | 25-02-16 | 2:30 PM. |
| 12 | AFC V/S YUC | D | 26-02-16 | 2 PM. |
| | QUARTER FINAL | | | |
| Q1 | WINNER G A V/S RUNNER G B | | 28-02-16 | 1 PM. |
| Q2 | WINNER G B V/S RUNNER G A | | 28-02-16 | 2:30 PM. |
| Q3 | WINNER G C V/S RUNNER G D | | 29-02-16 | 1 PM. |
| Q4 | WINNER G D V/S RUNNER G C | | 29-02-16 | 2:30 PM. |
| | SEMI FINAL | | | |
| S1 | WINNER Q1 V/S WINNER Q3 | | 01-03-16 | 2 PM. |
| S2 | WINNER Q2 V/S WINNER Q4 | | 02-03-16 | 2 PM. |
| | FINAL | | | |
| | WINNER S1 V/S WINNER S2 | | 06-03-16 | 2 PM. |

## বিরচন্দ্র অন্দর-১৬ ফুটবোল

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ

টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমিনা শিন্দুনা তাওবুংখোক্তা লৈবা একাদেমি অসিগী গ্রাউন্দদা টিম ১০ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ১২ শুবা অন্দর-১৬ টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমি টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী হয়েং মেচ অনী লৈগনি। অহানবা মেচ নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা এল এফ এ টিম এ থিনুঙ্গৈ অমসুং এম টি এস য়ু মালোমগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা কে এল ৱাই সি অমসুং ক্লাসা কৈনৌগা শান্নগনি। লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী অনৌবা ফিকচরসু থোকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী হৌজিক ফাওবদা গ্রুপ এদা এল এফ এ টিম বি থিনুঙ্গৈনা মেচ অনী শান্নখিবদা ২ মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট তরুক ফংলগা মকোক্তা লৈরি। গ্রুপ বিদনা এল এফ এ টিম এ থিনুঙ্গৈ অমসুং এম টি এস য়ু মালোম্না পোইন্ট ৬/৬ ফংলগা মাঙজিল থারিবনি।

| Group A | Group B |
|---|---|
| 1. LFA (B) Thinungei | 1. LFA (A Thinungei |
| 2. TDCFC (Mayanglangjing) | 2. MTSU (Malom) |
| 3. YTGPT (Yairipok Top) | 3. TBSFA (A) Taobungkhok |
| 4. MSC (Malom) | 4. KLASA (FA) Keinou |
| 5. TBSFA (B) Taobungkhok | 5. KLYC (Irilbung) |

**FIXTURE**

| DATE | TIME | MATCH | MATCH NO. |
|---|---|---|---|
| 22-2-16 | 1.00 pm; | LFA (A) Vs. MTSU | 12 |
| | 2.30 pm | KLYC Vs. KLASA (FA) | 13 |
| 23-2-16 | 1.00 pm | MSC Vs. TBSFA (B) | 14 |
| | 2.30 pm | YTGPT Vs. LFA (B) | 15 |
| 24-2-16 | 2.00 pm | TBSFA (A) Vs. MTSU | 16 |
| 25-2-16 | 1.00 pm | TDCFC Vs. YTGPT | 17 |
| | 2.30 pm | TBSFA (A) Vs. LFA (A) | 18 |
| 26-2-16 | 1.00 pm | LFA (B) Vs. TDC (FC) | 19 |
| | 2.30 pm | YTGPT Vs. TBSFA (B) | 20 |



খুমন লম্পাক বোক্সিং ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ষ্টেট লেভেল নোর্থ ইষ্ট গেমসকী নুপীগী কেজি ৫৪ গী সেমী ফাইনেল বাউট